“মণিপুর, ঐসু কৌজগে নঙবু ইমা
অদুবু শিবদি পামদে নঙগীদমক।
শিবা তারবদি মখোয় শিসনু
নঙগী নপান নরন চুপহৌবা
মীনমদুনা হুরান্দুনা ধমকা তৌদুনা
মচা মশু শুরোন তরেৎকী লন পৈহৌবা
শিসনু মখোয় নঙগীদমক।
ঐনা করিগী শিগনি?”

— থাংজম ইবোপিশক



## অনৌবা পুৱারী
*কুঞ্জো নাওরেম*

শগোল তোংলে ঙসিদি ঐ
তোংদবা য়াদ্রে চুপ্পি চেৎনা পায়রে
খোঙনা চৎপা য়ারমদ্রে লমদমসিদা
শগোল থৌবা তারে ঙসিদগী।
ঈশিং খুজোক অমা থকপা ঙমদ্রসু
ঐ পেন্না থকপা তারি কনাসু কিদনা
ঈদি।
অঙৌবা চেনাসে হাংদোক্লগে ঐ
ইরগে পেন্না চেবাং থন্না
অমুবা মুক্না ইদবা য়ারমদ্রে
কালি তৈরবা মুক্না
ইবা তারে ঙসিদগী
থাউ তৈরবা লফু পান্বীদা
চোকথ চোকথনা শ্বর মপী হোন্দুনা।
অদুবু নাকল অমদা
মীরাইবীরি মীওই পুন্সিবু
লৈঙাক্লোনগী লাংলৌদা
ইখায়দা খায়দোক্লি ধর্ম্মগী মিংদা
ঈ মশেল হাৎনহল্লি
গনতন্ত্রগী মমৈ পান্দবা
য়োং ময়াম অমবু
ইশাগী ওইজবগী পান্দমদা।
নুংশিনসি হায়বগী পাউজেল পীগদবা
মীওই অমত্তংদি থোকপীরকউ
পুন্সিবু মমল থম্নবগীদমক।

## তোংশা পীয়ু ঐগী
*কে সি লুৱাং*

চাদবনা কংদুনা শিখ্রবা
মী অমগী
শরূ পোলাং অমা
থামন্বা অহিং অমদা
ফুক হৌগৎলকই মোংফমদগী,
হৌগৎপগা মীথিনজৈ তাপ পায়
লাকই; চেঙ হৱাই
থুম থাউ থন্বা
লৈবাক্কী অচৌবা গোদাউন্দ তম্না।
নমখায়রৈ লোল্লন্বা থোঙ
মনুংদা পৈরন্বা বোড়াশিং
থিন থিন্দুনা হোগায়রকই
শেগায় শেগায়দুনা
চায়খাইরকই।
গোদাউন্দদা য়ারেক্লন্বা অহিংবশিং
শমজি খায়দুনা চেন্নরকই,
শরূ পোলাং অদুনা
মীথিনজৈ চেৎনা পায়রদুনা
লাউ-লাউদুনা তান্নরকই
তোংশা পীয়ু
তোংশা পীয়ু
তোংশা পীয়ু ঐগী।

## কৎচবা
*অরুনকুমার নোংমাইথেম*

অরি অনৌ অনীগী লংদায়
কায়নরমদায় মিৎকুপ্না তপ্না লাক্লবদা
নীংশিংলক্লে ইমা, ইপাগী
নীংথিবা শক্তমদো।

থাবুম তরানিথোইগী খোঙচৎতা ঙসিদি
চৎখ্রে ইমা নংদি মিৎমাংদগী
উনা উনা ঋতুগী খোঙচৎতা
মতম কৌবী লাইরেন্বীগী খুদোল
তাইবঙ কনানসু থিংবা ঙম্লরোইদবা।

চৎলোকো পলেম অমুক হল্লক্লরোইদবা
ইতিহাসকী খোঙচৎ অমদা
নীংশিং মমিদি লৈহৌরসনু অসুম থম্মোয়নুংদা
ইমা অনৌবা কুমওন ওইনা
লাক্লবদি নাওকোনবীয়ু নপারি নমোমশিংবু।

## পুন্সি
*জমির হুসেন, জিহাদ*

অঙকপনি পুন্সি
মিৎকুপ খুদিং
অৱাবা কয়া লেংথোংননা
মায়োক্নে তুংগী পুন্সিগীদমক
হিংখিগনি অসুম
কনা খঙহন্দনা,
ইদোম তরক লেঞ্জ’
নুংঙাইরকখিগনি হায়বগী,
অচেৎপা থাজবা কয়াবু থাগোন্নদুনা,
অদুবু লাকখিগদ্রা পামজবা পুংফমদো?
অমুকসু কাখৎলি নীংহন্নবা লৈতনা

## তিন্নরসি
*সুর্য্যমনি য়ুম্নাম*

খৎননুসি ইবান্নি শাউননুসি
তিন্নরসি হরাও হরাওনা
কাউথোক্নরসি নুঙাইনদবা,
চৎন কাঙলোন অদুঙৈগী
চীংমী তন্মীগী খেন্নবা
মতমগা চান্ননা শেমদুনা
খূৎশম্নরসি নুংশিননা।
থক্তা কাবা মতমদা
ইখূৎ পায়দুনা চিংখৎপীয়ু
খাদা কুম্লকপা মতাঙদা
ঙাক্লৌ ওইগে ঐহাক্না
নতেং ইতেং পাংনরসি
হরাও নুংঙাইবা উৎনরসি।
মীওইপোক্লি থোইনা হেনবা
তিন্নরসি ঐখোয় শাউননুসি।

## মীগী ৱাখল হোংখ্রে
*রাজেন্দ্রো*

লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ
ৱারী শীংবূন কয়ানা
ফুঙ্গা ৱারী কয়ানা
লৈবুং ৱারী মথেলনা
চৎনবীগী নীংথিরবা লৈকোন্দা
মীনুংশিগী অকোয়বা ইপালদা
থাজবগী শোল্লবা লংলানা
উখোক্তা কোইনা য়েৎপীরন্বা
থদৎপা ঙম্নদে কনানা।
ঙসিদি মীগী ৱাখল হোংখ্রে
য়োৎলীবুসু থদৎলে
চেকপল ৱাংমা লান্নরে
তাহৈদবা তারে
চাহৈদবা চারক্লে
মহৌশাগী ফজরবা নৈহৎপীরে
খাঙবা ঙমদরে
মহৌশা লাইরেন্বী।
ঈরোন্নুংদা লুপশীন্নখ্রগনি
ইরক্লগনি লৈশেম ৱারী
লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ।

## ঈশ্বরনা করি হায়রি
*অয়াম ইবেতোম্বী*

ঐবু নীংশিংউকো নখোয়না
ঐবু কাউগনুকো নখোয়না।
চীঙ্খ্রে ফীদুপ হুন্দুনা
কোরৌ মশেক উনৱাই
য়াহৌ অঙন তন্বদা
শজীক্না মিৎচানবা থোক্লবদি
ঐবু নীংশিংবা কাউগনু।

চারে চানা নীংশিংউ,
তুন্লে তুন্না নীংশিংউ
হৈনবীদু থন্লো হৌজিক্তগী
ফংগনি শোইদনা ‘থৌজাল’।

নখোয়না ঐহাকপু নীংশিংদ্রবসু
কাউবদি তৌগনু ঐহাক্কী পাউতাকপুদি
লুনা চান্না নথম্মোয়দা থমজৌদো।
ঐদি নখোয় পুম্নমক্কী মপুনি।

## ঈশৈ - ১
### লাইরবীনি হায়নৈ ইমা নঙবু মীনা

লাইরবীনি হায়নৈ ইমা নঙবু মীনা
পাঙদ্রবীনি শোন্নৈ য়েক্ল-কল্পকপনা
হায়জসনু হায়নিংবনা
থাদোক্লোই ইমা থাদোক্লোই ঐহাক্না।
পীক্লবা মৈরানি মঙাল য়াওদ্রিবা
থাদোক্লসি হায়নৈ নঙবু খঙদবনা
চন্লবা থম্মোয়না থিরি অমন্বদা
কৈদনো মঙাল কৈদনো লন্বী
ওইরিনে ইমা লন্বী তাকপা মণি।
মখোয়না থিরি মালেম থুংনা কোয়না
নুংঙাইবা কৈদা লৈ য়েংলুসি ফজবা
কপ্তুনা হল্লকই লাইর-খাংপোকশঙদা
অসিনি চঙজফম হায়থৈ লৈমায়থক্তা
নঙনিনে ইমা ফজবা নুংঙাইবা।

**শৈরেংবী ঃ এম কে বিনোদিনী**

## ঈশৈ - ২
### থোরক্লো অথৌবা ভারত মচাশা

থোরক্লো অথৌবা ভারত মচাশা!
চঙলরো লাক্লো পুন্সি লানফমদা।
মতম ওইরে থৱায় কৎপা
অচেৎপা ৱাশক্লা খুদুম শীংদুনা
জয়ধ্বনি লাউররো মাইয়োক্ন’ লানফমদা
উৎলরো অরোইবা নথৌনা পাঙ্গল।
ইজাতিগী ধর্ম্ম ভারতকী সন্মান
চঙলক্লো কন্নবা য়েক্লবা ফক্তুনা
অৱাংবা হিমালয় অশেংবা ব্রহ্মপুত্র
খঙহনসি পৃথিবীদা লদাক লৈরি ঐখোয়গী।
অশংবা উমংনা সনাগী তীর্থনা
থল্লিবা ঐখোয়গী ভারতভুমিনি
চুখৎসি জাতিগী খূৎকনবা মৈরা;
মুৎথৎসি হিংসা পান্বা তমথিবা য়েক্লবা।

**শৈরেংবা ঃ এস বেনুধর সিংহ**

# মঙগী মচুশিং
## (মৈরী অমসুং লৈনম্না শিনথুংনা ৱায়রক্লবী অইবী অমা)



| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ মঙগী মচুশিং |
| মখল | ঃ শৈরেং |
| অইবা | ঃ নাওরেম রোমিনা |
| ফোঙবা চহী | ঃ মার্চ,২০১৪ |
| লামায় | ঃ ১০৪ + XII |
| অফোঙবা | ঃ মচা চনু, ককচিং |
| মমল | ঃ লু: ১৯০ (মখুম অথাবা)<br>লু: ১৫০ (মখুম অপাবা) |
| ফংফম | ঃ মচা চনু, ককচিং<br>মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল |

**পাউদন্নিবাঃ সলাম তোম্বা**

লোইখিবদা ঙাইরিবা চহী অসিদি রোমিনাগীদমক্তদি অফবা চহী অমা হায়বদু ওইখ্রে। চহী অমত্তদা মনা অহুম ফংখ্রে, মাগী লাইরিক অসিমত্তদা। নুংঙাইবা পাউনি। মসিনা মাগী অনীশুবা শৈরেংগী লাইরিক্নি। হান্না ঙমখৈ *অমসুং খোঙ্গুল* হায়বা শৈরেং লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মহাক্কী শৈরেংদা চন্দ্রশখি লাইশ্রম চুমথাঙ সাহিত্য মনাসু ফংখ্রবীনি। নহা ওইনা মণিপুরী খোরিরোলদা মফম অমা কন্নবা হোৎনরক্লিবী অইবীনি। অদুগী মথক্তা অরুবা শৈরেং ইবা/ ইবী নহারোল খরগী মরক্তা তোমথিন ঙাল্লক্লিবীনি। থিমদা নত্তে, খূৎফোঙদোক্তনি। মাগী শৈরেং পাগে হায়রবদি তরাইনা চঙবা য়ারোই। ৱাখল লৈতাবা তাই, চরাঙনবা য়ারোই। অদু ফাওবদা ভাব লৌশিনবা ৱাগদবা শৈরেং কয়া য়াওরি। শম্না হায়রবদা মাগী শৈরেং পাগে হায়রবদি উচেক্কী মরোল খঙবা তাই, লৈচিলগী, নোংগী ঈঙ্গিৎ উবা তাই। মাইবীনা লাই তোংলিঙৈদা ৱা হংবা ঙম্বা তাই। মতমসিগী শৈরেং ইবী কয়াগী কোগোক হায়দোকপী, পেন্দবা, খোইশাওনবা থম্মোয় কয়াবু কনফেস্নেল পোইত্রি ওইনা ইথোরকপী অদুগুম্বী অইবীসু নত্তে। মহাক্না তাইবঙগী ঙক্লবা কুম্মৈ, মহৌশাগী ফজবা কয়া, লাইগী খূৎশেম পূম্বা য়েংলুরগা, উরুরগা মশা মতোমতা ঙকচদুনা, পাখৎচদুনা মদোম থোকখিবা ঈশৈগী সুরনি, ৱাখলগী, মঙলানগী মচু কয়ানি। মঙগা তাইবঙগা ৱারী শাবনি। অরুবা পাউখোঙ চনবনি, অপাবনা ফোঙবা ঙমদবা কয়া য়াওরি।

মাগী অহানবা শৈরেংমক্তদা হৌরে। মসিদা ‘নঙ’ হায়বা সিম্বলনা ৱাহন্থোক অনী পীরি। লাইবু ওইবা য়াই, নুপা হায়বা কাঙলূপ্তা ওইবা য়াই। অদুবু ওন্থোক্না ফজনা ফোঙদোকখ্রে। মানা হায়, “খাজিনখ্রবা মায়কৈ মরিগী কাসিদা/লৈরিবা ঐ/শোন্দম নাদমলে/নঙবু য়েংবদা।” (নঙবু য়েংবদা, লাঃ ১) ৱাহৈ খরসিনা নুপীগী মপোক, মীওইপোক্কী মপোক্না অফা অপুনরিবা ফীভমদু শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্লে। নুপীগী মপোকপু উপু মনুংদা ঙৌনা থমখিবা চেবাংনা ঙাংশিল্লকপগা চাংদম্নরি।

মপূংদা মাগী শৈরেংদি ‘এলিস ইন দ ৱান্দরলেন্দ’ হায়বদুনি। য়েংলু য়েংলুবদা অঙকপনা থনবা, মাগী ৱাখলগা তায়োন্নরম্বা। মানা হায়জৈ মাগী পুন্সিদি মঙ অমগা লোয়ননা লাকচবনি। অদুবু তাইবঙ শেম্বা মপুগী মায়কৈ য়েংনা চৎতবদি য়াদ্রি। মানা হায়, “মঙলান অমা/অহাঙবা লৈমায়দুদগী/খুন্দুনা পুরক্লিবনি পুন্সিসে/শুপ্নতগী নঙগী কাগী/মফম অমদা থম্নবা/” (মঙলান অমা, লাঃ ৭) অতোপ্পা ৱাহন্থোক অমদনা নুপীগী পুন্সিনা নুপাগী মখূত্তা তাখিবদা মনীংতম্বা ফংজদবা, নুপাদুগী মায়কৈ য়েংনা মাগী মঙলান্দুনা মচু ওন-ওন্দুনা মাঙখিবদু ফজনা ফোঙদোক্লি। অমুকসু মাগী পুন্সি খোঙচৎতা থিরি লোম্নাইদবা মহাকপু হংজরি, মালেম অতিয়া অনীগী মরক্তা লোৎলিব্রা হায়না, অহাঙবা ওইনা। শকচৈ মানা পুন্সি ঈশৈ কয়া চীং-পাৎ, তুরেলশিংগা, অশংবা লৌবুকশিংগা শৈথারদুনা মহাক্কীদমক। অদুবু শিবা নাইবা তাইবঙগী মল্লবা, কায়রবা শকফম কয়ানা পুন্সি তোর্ব্বান্দা পন্দুনা লৈরিবা কয়াদু উবদা মহাক লোম্থোক্তবা ওল্লে হায়রি। অদুবু চঙক্লরিঙৈদা মাগী পুন্সিদি কৌরক্লি খূৎলাম তোয়না মঙাল অমনা। মঙাল অদুতনি অইবীনা খৌরাংজরিবা।

অদুবু অইবী অসিদি ঙসি ধর্ম্মগী মিংদা ঙাওনরিবা লাইগী মশক অসিদি পামজদে। খূরবা মিৎয়েংনি খঞ্জে। মানা হায়, “কিন্থরবা ময়েক/তারি চাইনা চাইনা/খরনা/লাই ওন্দুনা লাইশঙগী মনুংদা/লৈখি/অশেম্বা শক্তম ওইনা/অদুবু/লাইগী মশক্তি ঙসি ফাওবা/ঐ উদ্রি।” (লাইগী মশক, লাঃ ১৫) অসিদি অচুম্বা মায়কৈনি ভক্ত অমগী। অমুকসু অইবী অসিনা মশাগী পুন্সিবু মনুং হুঞ্জিন্না য়েংলি। মহাক হিংলম্মী হায়বগী খুদম্মু করিনো হায়না নুংনাংজৈ। মানদি হোৎনরি য়েক্লবা পুন্সিগী শক্তম অমা। অদুবু হায়জৈ, “অমন্বা মপৈ-মপৈগী/মনুংদা/লৈহৌই অপীকপা/খোঙলম্বী অমদি/খোঙ্গুল শেংফাত্তনা।” (খোঙলম্বী, লাঃ ৩৯) ফজদে করম্না হায়নি। তাইবঙ ঐখোয়নবু করিবু ওইবা ঙমগনি, মপান নাইদবা অসিদা খোঙলম্বী মচা অমা নত্তনা। অদুনা অইবী অসিনা হায়জৈ তত্তনা শকউদবা অদুদা, হংজৈ পাউখুম ফংদ্রবা ৱাহং কয়া। মাগী থম্মোয়নদি খঙজৈ নীংশিং মমি অমনা তৎন-থানদনা লীপুন অমনা পুল্লি হায়না। মানা অসুম্না হায়, “উহনবীরো/তরু তরুবা তশেং তশেংবা/অচুম্বা/অঙৈংবা/ফজবতনা থল্লবা/লোইনাইদ্রবা/তাইবঙপান অমা।” (অঙৌবা লৈ, লাঃ ২৮) মসিদি অরোইবা য়াৱানি, মশক মচু থোক্ত্রবা, অমুকসু লুরবা ঈরোন্নুংদা, অসুম অসুম লূপশিল্লক্লবা থৱায় অমগী। মসিদনি রোমিনাবু পোরম উবী, মিৎয়েং শেংবী কবিয়ত্রী অমনি হায়দবা ঙমদ্রিবা।

য়ামখ্রে মাগী মঙগী মচুশিংসি। ঐখোয়না লোইনা থাবা ঙম্বা নত্তে। মহাক্কী খোর্জেনা চৎলি মায়কৈ খুদিং। অমুকসু থেংনরুই, ঙাইবতনা মশরুক ওইরবা লমদমসিগী পুন্সিশিংবু। মানা মখোয়বু উনাশিংগা চাংদম্নরি। ঙাইবদা ৱায় অমুক্তা হায়জদবা। নোংলিক অমগী আশাদা মখোয় খক চোকথদে। অমুকসু মহাক্না লমদমসিবু লৈকংলাগা চাংদম্নৈ। লৈকংলাসিনা ঙাইজরি খৌরাংনা ঈরিক অমতংবু। অদুবু অমংবা নোংগী মপৈদি অদুম পাইখি। চীংলোন কয়া লান্দুনা। উট ওল্লবা মীয়াম্না খৌরাংবা কোক্লবা শায়রি তিঙ্খংবু ওইনম্না। ৱাহৈ খরা অসিদনা লমদমসিবু মশক ফজনা তাক্লে হায়নিংঙি। মানা শেংনা হায় শৈরেং অমদা লমদমসিদা হেক খৌরাংলিবদি মীনুংশিগী লন্বীনি। মীনুংশিগী মচুনা থম্মোয় খুদিংদা মচু ওল্লক্লবদা মহাক ৱাজৈ। অদুনা হংজৈ, “লোত্তুনা লৈখ্রব্রা নঙনা/হাঙলা অতিয়াদা/অকেনবা উনাশিংগী মরক্তা/নৎত্রগা/পায়শিন্দুনা থমখ্রবরা/শকখঙদবা কনাগী খুবাম্নুংদা।” (খৌরাংলি লন্বীসিদা, লাঃ ১৯) ফজনা ফোঙদোকই হায়নিংঙি।

অমুকসু শৈরেং অমগা য়েংবা য়ারি। বিশ্বকবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরনা মাগী গীতাঞ্জলিগী ৪৯ শুবা শৈরেংদা অসুম্না হায়, “লেঙথবিরকখি নঙনা নঙগী তাঙবন্দগী/লেপ্লম্মী থোঙজিন্দা ঐগী খাংপোকশঙগী/ইথন্তা শকচরম্মী ঈশৈ অসুম/অদুবু পাল্লুরমাল্লে নাপদা নঙগী।” খোনফম অসিমক্তদা রোমিনানা ইরি অসুম্না, “থোঙজিনসিমক্তনি নঙনা লেপ্লম্বা/নঙগী ময়ায় কারবা মীনোক্না লোয়ননা/শারি তপ্না তপ্না ঙসিসু জগোয় খূৎথেক চানা।” (খোঞ্জেলসিনা, লাঃ ২০) অদুগুম্বা লেঙথবিরক্লিবা, লেপ্লরিবা মহাক অদুদি থম্মোয়দা ফাওবা নত্তনা মশক্তি উবা নৎত্রি। অদুনা অইবীনা হায়, “ঙসিদি ঐ/পোল্লক্লিবা পুন্সিগী মরুমদা/ইশাগী ইমিসিদা/শোয়দনা থিগনি/নঙবু।” (খোঞ্জেলসিনা, লাঃ ২১) মসিদি চুম্লবা ৱাফমনি। হিন্দু ফিলোসোফিদা, বেদান্তদা লাউরি, “তাইবঙ মপু, পরমত্মাবু থিগে হায়রবদি ‘ঐ’ মশক খঙঙু। ঐগী নুংদা বর্ক্ষ য়াওরি। জীবআত্মাগা পরমত্মাগা অমত্তনি।” অৱাংবা ৱাখলনি হায়নিংঙি।

অইবী অসিগী অতোপ্পা মিৎয়েং অমনা নুপীবু মশক তাক্লিবা অসিনি। নুপীনা নুপীবু মশক খঙবা অসিদি অফবা খুদম্নি। নুপীবু মানা লুরবা লাইজগুম, তশেং তশেংলিবী ওইনা শৈথারি। অদুবু খুন্নাইনা, নুপা কাঙলূপ্না, মতম্না, মখল কয়াগী মচু তৈশিনবিখ্রে, মিংশেলদা তাবা মিরেলগা পাংখক ওইরে হায়রি। মাগী ৱাহৈদা, “শায়োন য়ান্বী/নঙগী খূৎশাশিংনদি/হাংদোক্লবা কন্না হোৎনরি/মতমসিগী থোঙজাউ।” (শায়োন য়ান্বী, লাঃ ৪৪) অদুবু হাংদোকপদি ঙমদ্রি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীরি। অদুবু অইবীনা চেকশিন ৱা হায়রি অতোপ্পা শৈরেং অমদা, লৈগুম শান্নরিবা মখোয়দা। মনমদং লৌরগা কৈসু লৈতনা মৈনুংদা লংশিনখিবা লৈদু লেম্না মাঙলোই। মৈশা পূম্বদু লোৎলগা, লৈশিংগী লৈকাদুদা অতুম্বা মৈগী চীং লোৎলিবনি হায়রি। অমুকসু হায় অইবীনা, মসিদি মমা ওইবীগী লৈতারবা থম্মোয়সু নুপীগী থম্মোয়দা পাল্লি তাকপনি। নুপানা ফনা ওৎলবসু মচাশিংগী খন্না খাঙলি হায়বা তাক্লি। মাগী ৱাহৈদা, “সীতাগুম্না ঐবু/মৈ ইক্লবা হোৎনগনু/পীক্লিবা ইচাশিংগী নুংশিরবা খোঞ্জেলনা/ঐগী হকচাং কয়াৎ শিন থুংখি। ঙাইরি ঙসিসু নঙবু/মিহুৎথোঙসিদা/য়েংলদুনা।” (তাইবঙ কৈথেল, লাঃ ৭২) মসিদি নুপাশিংবু অমেংবা ৱাহৈনা চৈবনি। ৱাখল তামিন্নসি হায়রিবনি। ফজৈ হায়নিংঙি। মতাংসিদা মলয়ালম অইবী, ইংরাজিদসু ইরিবী, ফেমিনিজমগী লময়ানবী কমলাদাসকী ৱাহৈ নীংশিংলকই। মানা হায় - “ঐগীদি নোংচুপলোমগী ফেমিনিজম নত্তে, মখোয়গীদি নুপাগী মায়োক্তনি। ঐগীদি নুপানা নুপীগী মমল খঙবীবদুনি। নুপা য়াওদনা করম্না লৈগনি, নুপাসু নুংশি, ইচা নুপাশিংসু নুংশি।” কয়াদা চুমখ্রবা, কয়াদা মান্নজখ্রবা রোমিনাগা।

য়ামখ্রে, রোমিনাগী মঙগী মচুশিং। মফমসিদা লোইনা পাউদম্বদি য়ারোইদৌরে। অদুবু পূন্না য়েংবদা মহাক মঙ ললোনবী অমদি নত্তে। মহাক্না পামজবা শক্তম অমদি য়েক্লবা হোৎনরি। খোমজিন্দুনা থমগনি হায়রি তশেং-তশেংলবা মঙগী মচুশিং মাগী থম্মোয় লকাদা অদুগা খিক্তোক্কনি হায়রি অনৌবা লন্বী অমদা। অনৌবা তাইবঙ, অনৌবা নুপীগী পুন্সি অমগীদমক মহাক চোকথবা নাইদ্রি মাগী খোঙচৎ, মাগী খোর্জে। মাগী চেৎনা থাজবা অমদি লৈজরি, নোংমদি মাগী মঙগী লৈরাংশিং লৈকা ফন্না শাৎলখিনি। মাগী ৱাহৈদা, “ঙসিদি শাৎকায়রক্লিবা লৈরাংগুম/ঐগী মঙগী মচুশিংনা/য়েল্লরগনি নুংশিবা লৈনম/মমশিল্লক্লিবা অতিয়াগী/কুয়োমসি ফাওদোক্তুনা।” (মঙগী মচুশিং, লাঃ ৫৬) মসিদি আশা পুবা কবিশিংগী শৈথানি। অইবী কয়াগী য়াকাইরোলনি। ওইসনু মখোয় লেপ্পা ঙম্বা মশেক মঙাল নাইনা।

লোইশিল্লকপদা ৱাহৈ অমা অনীদংদি নৌরিবী অইবী অসিদা পাউদম্নিংই। শৈরেংদি থম্মোয়গী মপাউনি হায়বসিমা ময়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি। অদুদি থম্মোয় অনী চঙঙি। থম্মোয় অমগী মপাউনা থম্মোয় অমা য়ৌবা ঙম্নবনি ঐখোয়না ৱাহৈ শীজিন্নরিবা। রোমিনাগী শৈরেং খরা থম্মোয় লানবা ঙম্লরোইদ্রা ৱাজৈ। সিম্বল শীজিন্নবদা, শক্লাইদবা ৱাহৈ, নঙ, মা, ঐ শীজিন্নবদা চেকশিনবা তঙাইফদে। খুদিংমক্কী শীজিন্নফম, পান্দম, ৱাহন্থোক মতাং মতাংদা পাবদা ঙাওরকপা য়াওই। পূম্নমকসি ওইদুনসু রোমিনা শৈরেং ইরগদবী নহা অইবী অমদি ওইরে হায়নিংঙি। মথংগী শৈরেং লাইরিক খৌরাংনা ঙাইরি।

# সনা মচুগী তাংজ লিন

**জয়শঙ্কর প্রসাদ**

“চন্দ্রদেব! মসিদি হেনমন্দ্রো!”

“ঐনা হায়রিবসি অচুম্বনি দেবকুমার।”

“নঙনা খঙলিবা অচুম্বদু খরা মপাঙ্গল শোল্লি, মরমদি মসিগী হৌরকফমসি চুমদে। পাওতাকপীবা মতমদা থম্মোয় য়াওনা পী হায়বসি ঐসু খঙই। কনাগুম্বগী পুন্সিগী অকুপ্পা মরোল, মাগী থাজবা খঙবা হায়বসি নঙগী ঐগী লৌশিংগী ‘এক্স-রে” সিনা ওইথোক্তে।” মসি হায়রদুনা দেবকুমারনা নোক্লকই। মাগী খুনোক্তুদা করেম্নবগী মওং অমা য়াওরি।

চন্দ্রদেবনা ৱাফমদু ওন্থোক্লদুনা হায়রকই, “মসিদা মরৈ য়েৎনদুনা কান্নদে। য়েংউ, ঈশিং চাইবী য়ৌরক্লে, মসি য়েংনবগীদমক্তা নৎত্রো ঐখোয় মাইল তরেৎ-নিপাল লাপ্পা লাক্লিবসে।”

“অচুম্বা অমসুং অরানবা অসি ইশানা খঙজদে, মরমদি মসি মতম লৈবা খিবিক্তা অমম্বদা লৈ। চন্দ্রদেব নঙ নশানা নশাবু শক খঙজদে হায়বসি ঐ খঙই।” দেবকুমারনা হায়রকই।

চন্দ্রদেব ফমথরে। মখোয় ঈশিং চাইবীদু য়েংদুনা লৈরি। মশুরী চীংগী ঈশিং চাইবীসি য়াম্না মমিং চৎলি। অৱাংবদগী চাইথরক্লগা অরুবা কোম অমদা তারগা পুন্সিগী মতৌগুম চেন্থরক্লি।

চন্দ্রদেব কলেক্তর অমগী মচা পাখৎনি। মমান্নবা দেবকুমারগা লোয়ননা মশুরীদা কালেনগী অশাবা খাঙবা ওইনা নুংঙাইবা থিবা লাকপনি। চীংসিদা করম্বা মতমদা লৈচিল থারক্কনি, করম্বা মতমদা নোং খিল্লক্কনি তম্বা ঙমদে। চন্দ্রদেবগী মনাইদুনা চান-থক্লবা পুদুনা লাক্লে। খজুর পান্বী অমগী মখাদা মবান্নি ফমদুনা চাবা হৌরক্লে, চন্দ্রদেবদি মশা নুংঙাইনবা চাকচা মাঙদা য়ু খরসু থকই।

দেবকুমারনা, “ইবান্নি লম্বীদা চোৎত্রিঙৈদা খরা থুনা চৎহৌরসি।”

থক্লা থক্লা চন্দ্রদেবনা হায়রকই, “নঙসি মীকিথিনি। পুন্সিগী নুংঙাইবদু ঙাইহাকসু লৌসি। চেকশিন্না চৎপা, মতম চানা চৎলগা কাদা তুমিন্না লৈবা। অনাবগুম হীদাক চাদুনা ইমুংদা লৈবদু পাম্বরা।” দেবকুমারদু থোক্লক্লে। ঙাইহাক লৈরগা মখোয় অনী হৌগৎলক্লে। মনাইদুসু মখোয়গী মতুং ইন্নদুনা লাক্লি। নোং চুথরক্লে, মখোয় রেনকোট লৌথোক্তুনা লিৎনরে। অদুবু নোংদু মদুনা ঙাকথোকপা ঙমদ্রে, মখোয় চীংগী নূংজাও মখাদা নোং থুপলি।

পিশুমদা তারকপা ঈশিংদু তৈথোক্লদুনা মমায় লৈথোরকপদা। চন্দ্রদেবনা কুচু মুবী ইনখৎলক্লিবী নুপীমচা অমা উরম্মী। চুং-ফিরাল চাই। মানা মুন্না য়েংবদুদা মা ইকায়রপ তৌখ্রে। তৌফম খঙদ্রদুনা চন্দ্রদেবনা হংলকই, “সিদা কৈদৌরল্লিবনো?”

“বাবুজী ঐ থংনবা চীংগী খুলদা লৈ, পুকচাক থিবা লাক্লিবনি।”

“নঙগী থবক্তি করি?”

“লিন ফাবগী থবক।”

চন্দ্রদেবদু খংপ্রেক খঙই। মানা হায়রকই “নঙসিদা লিন ফাব লাক্লিব্রা? শ্বায়দদি লিন য়াম্না লৈতেদো।” “হোয়, অদুবু থিরবদি ফংই। মফমসিদা সনামচুগী তাংজলিন অমা হৌজিক্তা উখি। মদু...” হায়রদুনা নুপীমচাদুনা লৈপুং অমদা ইঙ্গিৎ তৌরকই। চন্দ্রদেবনা মঙাল অমা উবগুম তৌখি।

নোংদু লেপখ্রে। চন্দ্রদেবনা হায়রকই, “চৎলসি দেবকুমার! ঐখোয় চৎলসি। রামু, নঙসু লিন ফাদাইনে? দেবকুমার! মাদি মন্ত্র-জন্ত্র অমত্তা য়াওদনা ফাবা জাৎনি।” দেবকুমারনা মঙক নোম্মী। রামুনা, “হোয় সরকার, ঐবু ফাজৌ হায়বরা?”

“নত্তেদা মাবু ফাহল্লু! অদুগা হোটেলদা পুহল্লকউ, ঐখোয়সু য়েংহৌগে! নৎত্রনে দেব, নুংঙাইনিদনা?” মসি হায়রম্লগা চন্দ্রদেব অমসুং দেবকুমার চৎখ্রে।

চন্দ্রদেবগী হোটেলগী কাদুদা মরুপ কয়া পুল্লি। নেরানা অখোংবীদু খোংদুনা মাগী কুম্মৈদু উৎলি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবদা মানা ফারকপা সনা মচুগী তাংজলিন্দু উৎলি। রামুনা নেরাদা মমিৎ কুপতবমখৈ য়েংলি। চন্দ্রদেবনা হায়রকই, “রামু, লীক্লিগী উপুদু খরা পুরকউ। রামুনা উপুদু পুরকই। চন্দ্রদেবনা নোক্লদুনা হায়রকই, “নেরা! উপুসি নঙগী ফজবা লিন্দুগীনি।” নেরানা হরাওনা উপুদুদা হাপচিল্লে অদুবু লিন্দুনা মাগী অনৌবা লৈফমদুদা চঙনিংলমদে, রামুনা চঙহন্নবা হোৎনরম্মী, লিন্দু উপুদুদা চঙখ্রে। চন্দ্রদেবগী মরুপশিংনা হায়রকই, “নঙগী লোয়নবশিংসিসু অরায়বা ওইদে।” চন্দ্রদেবনা রামুদা মুন্না য়েংই। অদুবু নেরাগী চীংলেম্বদুনা রামুগী থম্মোয়বু শুমহৎলম্মী, মাবু মুন্না য়েংদুনা লৈরি। দেবকুমারনা নোকই, কুম্মৈ লোইরে, নেরাদু খুদোলপোৎ য়াম্না ফংলে।

নুমিৎ হুমনিগী মতুংদনি। হোটেলগী মনাক্তা উচাল পান্বীগী মখাদা চন্দ্রদেবদু তুমিন্না লেপলম্মী। নুপা অমগা নুপী অমগা চিকথননা ৱারী শারি। করিগীনো খঙদে, মা শাওনিংবা ফাওরকই। তাঞ্জাদুদা দেবকুমারনা মরেংজুমদা মখূৎ থম্লদুনা হংলকই, “কৈদৌরে?” চন্দ্রদেবনা ঈঙ্গিৎনা উৎলি। মোংশোং অমগী মরুমদা নেরা লেপ্লি অদুগা রামুনা করি করিনো হায়জরি। মদু উবদা মানা চন্দ্রদেবগী মখূৎ পায়রদুনা হায়রকই, ‘লাকও’। মখোয় অনী কাদা লাক্তুনা ফম্লরে। দেবকুমারনা হায়রকই “রামুগী থম্মোয় খঙলেদনা।”

অহিং থেংজিল্লক্লে “বাঁল” য়েংলুরবা মতুংদা চন্দ্রদেবদু কাদা তুম্লুরগে হায়দুনা চঙলকই। মানা ফিস ফিস লাউবা মখোল অমা তারকই, মানা নেরাবু খঙনিং নীংশিংলকই। মানা মখয়াৎ চিক্তুনা ফমুংদা কাখৎলি, য়ুসু খরা হেনজিনখ্রমাল্লে। কাচিন্দা লৈরিবা উপু অমদি লীক্লিদু য়াম্না লংখৎলকপগুম উরি, মানা শাউনিংনা মৈদু মুখৎলি।

ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা কনাগুম্বা অমগী লাউবগী মখোল তাবদা মিৎকপ খঙথোক থোকই। রামুগী খোঞ্জেল মাল্লি, চন্দ্রদেবনা স্বিচদু মেৎতুনা মৈ থাল্লি, রামুগী মখূৎতা সনামচুগী তাংজ লিন্দুনা য়োৎলিংগুম্না ফাজিন্দুনা লৈরি। চন্দ্রদেবনা চৈরকই, “কৈদৌরে, নঙসিদা কৈদৌরিনো? শোয়দনা শিবা তারে, নেরা লৈরম্লবদি... !”

চন্দ্রদেবদু পাখৎলে, তাঞ্জাদুদা নেরাদু কাদা চঙলকই। অসুক থেঙখ্রবা অহিংসিদা, কৈদৌরিবা, চন্দ্রদেবদু শাউনিংবনা তুমিন্না লৈরম্মী। নেরানা লিন্দু রামুগী মখূৎতগী থাদোকপীরে অদুগা উপুদা হাপচিনখ্রে। চন্দ্রদেবনা রামুদা হংলকই, “সিদা কৈদৌরল্লিবনো?” রামুদু থক থক নিকই। “খুম্মু, থুনা খুম্মু, নৎত্রবদি নউন খোকচনি।” রামু খুমদে। চন্দ্রদেবগী মায়থোংদু য়াম্না তমথিরক্লে। মানা রামুদা অমুক নেরাদা অমুক য়েংই। মানা পিষ্টোলদু পায়খৎলি, তাঞ্জাদুদা নেরানা মরক থৎলি, মানা হায়রকই, “বাবুজী মা ঐগীদমক য়ু লৌবা লাক্লিবনি।”

চন্দ্রদেবনা অঙাঙবা য়ুগী লীক্লিদু উরকই। চন্দ্রদেবনা পিষ্টোলদু থমজিল্লে, লীক্লি অমদি উপুদু পীরগা মমায় লৈথোক্তুনা হায়রকই, “নখোয় অনীমক মসি পুরগা থুনমক চৎখ্রো, অদুগা রামু! নঙগী নশক্তু ঐঙোন্দা অমুক হন্না উৎলনু।”

মখোয় অনী তপ্না তপ্না মপান থোকখ্রে। রামু মাগী মবুংঙোগী মগুণ নীংথিনা খঙই।

মথংগী নুমিত্তা দেবকুমার অমসুং চন্দ্রদেব চীংদগী কুমথরক্লে রামুদি য়াওরক্ত্রে। থা তরামাথোইগী মতুংদা হোটেলদুমক্তা চন্দ্রদেবদু থুংলরে। নুমিদাংৱাইরমগী মতমনি, চীংগী নুমিদাংৱাইরমগী ফজবসিদি, নুংশিৎসু কন্না শিৎলি। চন্দ্রদেবনা মিংশেলগী থোঙনাওদু লোনশিনগে তৌরি। রামুদু মকোক্তা লিন হাপ্পা থুম্মোক্তু পুদুনা চৎলি, মতুংদা নেরানা তপ্না তপ্না ইন্নরি। নেরাদু মথক্তা য়েংখৎলকই। মানা মোমোন নোক্তুনা সলাম তৌরকই অদুগা রামুগী মতুং ইন্নদুনা চৎখ্রে। চন্দ্রদেবনা থোঙনাওদু মখোল হৌনা থিংজিল্লদুনা খল্লকই, “অচুম্বদি লায়রদনা, ঐ ইশানা ইশাবু শক খঙজবা ঙমদ্রে?”

*হিন্দীদগী মণিপুরীদা-লৈমপোকপম বেদান্তি*